# ইটালিদা য়ুহা হাবদা মীওই ২১ শিখ্রে, মীওই কয়া ফুমজিনখ্রে, অমাত্রিসে টাউন মপুং ফানা মাং তাকখ্রে



রোম, ওগষ্ট ২৪ ঃ ইটালিগী ময়ায় থংবা শরুক্তা য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা মপাঙ্গল লৈবা অকনবা য়ুহা হাবা অমা থোকখিবগা লোয়ননা মীশিংনা নিঙ্খায়রবা বিল্ডিংশিংগী মপান্দা তাশিন্নদুনা য়ারেক্লখ্রে অমসুং মশিং খঙদ্রবা মীওই কয়া অকায়-অতোয় মরক্তা ফুমজিনখ্রে হায়রি।

মেগনিচ্যুদ ৬.২ গী য়ুহা হাবা অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখ্রে, মীশি পুন্নমক সেন্ট্রেল ইটালিগী চীংগী লমদমগী ফীভম থীনা শোকখিবা খুঙ্গং অহুমদা থোকখিবনি। মীওই ১০ পেসকারা দেল ট্রোন্টো ভিলেজদা শিখি, এক্যুমোলিদা ৬ অমসুং অমাত্রিসেদা মঙা শিখি হায়না সি এন এনগী এফিলিয়েট রাইনা ফোঙদোকখি।

য়ুহা হাবা অদু নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩৬ তাবদা নোর্সিয়াগী খানোংপোক্তা কিলোমিটর ১০ (মাইল ৫.২) লাপ্পা মফমদা থোকখিবনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেসকী জিওলোজিকেল সর্ভেনা হায়খি। মফমদুদা নিকপদু মাইল ১০০ থাপতোক্পা লৈবা রোম সিটি ফাওবা য়ৌখি। ইটালিগী লাজিও রিজনগী অৱাং থংবদা লৈবা অমাত্রিসে টাউন অহিং অমদা মাং তাক্লবা মফম অমা ওইহনখ্রে হায়রি।

'টাউন অদু হৌজিক লৈত্রে' হায়না মেয়র সার্জিও পিরোজিনা সি এন এনগী এফিলিয়েটতা হায়খি। 'ঐহাক্না আপিল তৌরি মদুদি, টাউনদুদা চঙবা লম্বীশিং তংখ্রে অমসুং মীশিং অকায়-অতোয় মরক্তা ফুমদুনা লৈখ্রে, ঐখোয়বু মতেং পাংবীয়ু'।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক পৱার লৈত্রে, রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অমাত্রিসেদা লৈবা মীশিংগী সেলফোনশিংদা কোল তৌখি অমসুং মদুদা পাউখুম পীরকপশিংদা চঙশিন্নবা হোৎনখি। করিগুম্বা পাউখুম ফংদবা তারবদি রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মথংগী মীওইদা অসুক চঙখি হায়না এফিলিয়েট অদুনা হায়খি।

মনাক নকপা এক্যুমোলিগী মেয়র ষ্টেফানা পেত্রুকসিনা রাইদা হায়খি মদুদি, য়ুহা হাবা অদুদা অনৌবা বিল্ডিংশিংনা খ্বাইদগী হেন্না অকায় অতোয় নংখি, পুৱারীগা মরী লৈনবা বিল্ডিং খরদি য়ুহা হাবগী নীকপদুনা কা হেন্না শোকহনবা ঙমখিদে।

'অহিংবা মী থেংনরবদি হায়দুনা ঐখোয়না লেপ্তুনা লৈবাক তৌরি' হায়না পেত্রুক্সিনা হায়খি।

অকায়-অতোয় মরক্তা লৈরিবা মীশিংগী মশিং খঙবা ঙমদবা ওইরবসু রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হিংহৌবা মীশিং থিবদা হেন্না পুক্নিং চঙলি হায়না ইটলিগী সিভিল প্রোটেক্সনগী মকোক ফাব্রিজিও কুর্সিওনা হায়খি। রেদ ক্রোসকী স্পোক্সমেন তোম্মাসো দেলা লোঙানা অমাত্রিসেদগী লাক্লিবা শক্তমশিং য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

'অমাত্রিসেদা লৈবা ঐখোয়গী দেলিগেটতগী ফংলিবা পিকচর অসিনা ঐখোয়দা পুংথু থুগায়খ্রবা অপীকপা সিটি অদুগী কিনিংঙাই ওইরবা ৱারী অমা লীরি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি লুই' হায়না মহাক্না হায়খি।

ঐখোয়না খ্বাইদগী মরু ওইনা তৌগদবদি হিংহৌবা মীশিং থিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

'অমাঙ-অতা থোক্লিবা এরিয়াশিং অসি সেন্ট্রেল ইটলিগী চীং অমসুং তম্পাকশিংগী ময়ায়মক্তদনি' হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। 'তম্পাক্তুগী ময়ায়দা অপীকপা য়ুমশিং লৈ, মখোয়শিংদু নাইতোম ওইনা লৈ অমসুং মখোয় মতেং তঙায় ফদ্রে। মখোয় য়ৌবদা মতম খরদি চঙগনি।'

অমাত্রিসে অসি মফম অসিগী মহৌশাগী অলামাত্রিসেয়ানা পাস্তা সেসকীদমক্ত মমিং চৎলি অমসুং চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক্তা রেসিপী অসিবু সেলেব্রেট তৌনবা ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোক্লবা লাংলিবনি। নোর্থ কেরোলিনাগী এলন য়ুনিভর্সিটিগী নুপীগী বাস্কেটবোল টিমগী কোচ চার্লোটি স্মিথ য়ুহাবা মতমদুদা রোমদা লৈখি। 'মদু সেকেন্দ ৩০ মুক্তা ওইখি। হোটেল অপুম্বা নীকখি' হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। 'লোবীদা কুমখি অমসুং মী ময়াম মফমদুদা ঙাইদুনা লৈরমখি। মদুগী মতুং পুম্খায় অমা লৈরগা য়ুহা হাবা অমা থোকখি।'

য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস পাংনবগী মখোয়গী ফ্লাইটকী সেদুল্ড কায়দনা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# সিরিয়াদা লৈবা টার্গেটশিং এটেক তৌবদা রসিয়ানা ইরানগী এয়র বেজ অমুক হন্না শিজিন্নবা য়াই

মোস্কো, ওগষ্ট ২৪ ঃ

সিরিয়াদা লৈরিবা টেরর টার্গেটশিংদা এটেকশিং চত্থনবা রসিয়ানা ইরানগী হমেদন এয়রবেজ অমুক হন্না শিজিন্নরকপা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়াদা লৈরিবা এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপশিংদা ষ্ট্রাইক তৌবদা রসিয়ন মিলিটরিনা এয়রবেজ অদুবু শিজিন্নবগী ৱাফম য়াওনা মোস্কো অমসুং টেহরাননা অথুবা মতমগী মনুংদা তংদাংবা ইস্যু খরগী মতাংদা য়ানবশিং পুরক্লগনি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা দিফেন্স কম্মিটিগী চ্যেরমেন ব্লাদিমির কোমিদোভকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

ইস্যু অসিগী মতাংদা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপা হায়বসি মতমগী ৱাফমদা ঙায়রে' হায়না কোমিদোভনা হায়খি।

হৌখিবা ওগষ্ট ১৬ তা রসিয়ন বোম্মরশিংনা থংন-থংননা নুমিৎ হুম্নি চূপ্পা এয়রবেজ অদুদগী পাইথোক্তুনা সিরিয়াদা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপকী লোৎফমশিংদা এয়রষ্ট্রাইকশিং চত্থখি।

মদু রসিয়ানা সিরিয়া মশা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক অমবু সিরিয়াদা লৈবা টার্গেটশিংদা এটেক তৌবদা শিজিন্নখিবগী ইহান হানবা থৌদোক্নি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা মোস্কোনা আই এসকী মায়োক্তা বোম্মিং কেম্পেইন অমা হৌখিবনি। মিলিটরিনা সিরিয়াদা লৈরিবা আই এসকী ফোর্সশিংগী মায়োক্তা থল্লিবা পান্দমশিং ফংবা ঙম্লে হায়না চয়োল অসিগী অঙনবদা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ইগোর কোনাশেনকোভনা ফোঙদোকখিবনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT**

**NOTIFICATION**
**Imphal, the 24th August, 2016**

No. CE/PHE/1-95/2013/1234 :In pursuance of Secretariat, P.H.E. department letter No.2/54/2016-PHE dated 6/8/2016, Department of Public Health Engineering, Govt. of Manipur, invites application from male candidate for appointment to the following posts on contract basis for Imphal City Water Supply System and Imphal Sewerage Phase-I.

| Sl No | Name of Post | Minimum Qualification | Pay Scale | No of Posts | UR | OBC (M) | OBC (MP) | ST | SC |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | *Assistant Engine Operator (AEO)<br>a) For Imphal Water Supply<br><br>b) For Imphal Sewerage Project | 1. **Essential Qualification**: HSLC/Equivalent passed.<br><br>2. **Desirable**:- Knowledge of Manipuri and Hindi and Experience in operation engine. | Rs. 6,090/- pm (4440+1650) | 120<br><br>20 | 61<br><br>11 | 16<br><br>2 | 4<br><br>1 | 37<br><br>6 | 2<br><br>0 |
| 2 | Technical Jugali (T/J) | 1. **Essential Qualification**: HSLC/Equivalent passed.<br><br>2. **Desirable**:- Knowledge of Manipuri and Hindi. | Rs. 5,840/- pm (4440+1400) | 80 | 41 | 11 | 3 | 24 | 1 |

*For the post of Assistant Engine Operator (AEO), candidate have to apply only one of the sub-category i.e either (a)Imphal Water Supply or (b)Imphal Sewerage.

2. Method of selection: By interaction.
3. Age Limits: 38 yrs & Below as on last date of form submission. Upper age limit is relaxable for Govt. servant as per rules. 5 yrs relaxation for SC & ST candidate & 3 yrs for OBC candidates.
4. Preference: Preference will be given to those candidates living near the Water Treatment plant at Chingkheiching, Porompat, Khuman Lampak, Irilbung, Canchipur, Koirengei, Chinga, Kangchup, Singda, Imphal and greater Imphal area.
5. The posts are purely on contract basis for an initial period of 12 (twelve) months and no claim for further engagement will be considered without prior approval of the Competent Authority. No formal orders for engagement should be issued and contract agreement shall be the only document.
6. Tentative Timeline for the recruitment:

| Name of Post | Date of Notification | Date of requisition from Employment exchange | Last date of requisition from Employment exchange | Date of issue of Form | Last date of issue /submission of Form | Issue of Admit Card | Date of interaction |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Assistant Engine Operator (AEO) | 24/8/2016 | 24/8/2016 | 15/9/2016 | 29/8/2016 | 20/9/2016 | 3/10/2016 | To be notified later. |
| Technical Jugali (T/J) | 24/8/2016 | 24/8/2016 | 15/9/2016 | 29/8/2016 | 20/9/2016 | 3/10/2016 | |

7. Prescribed application form and details can be either had from the Office of the Chief Engineer or can be downloaded from the office website www.phedmanipur.gov.in
8. Original certificates in support of qualification, domicile, SC/ST/OBC, age proof, etc should produce at the time of interview.
9. Fee: Application fee for Unreserved category and OBC candidates- Rs 200/- and for SC/ST candidates- Rs.150/-

Interested candidates may apply through their respective employment exchanges for sponsoring above posts.

Sd/-
(H. Sunil Singh)
Chief Engineer, PHED
Manipur.

HL-P/9560/25

# টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা হায়বসি পাকিস্তানগী কান্নবগীদমক্তনি : পেন্টাগন



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৪ ঃ

হকানি নেটৱার্ককী মায়োক্তা পেন্নিংঙাই ওইবা এক্সন লৌখৎলে হায়বগী কোংগ্রেস্নেল সার্টিফিকেসন অমা লৌবা ঙমদবগীদমক্তা য়ু এসনা ইস্লামাবাদতা পীগদবা দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ গী মিলিটরি তেংবাঙ থিংজিল্লে হায়না পেন্টগন্না ফোঙদোকখ্রে অমসুং টেররিষ্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা হায়বসি পাকিস্তানগী ইন্টরেষ্টতা হায়বা ৱাফমনি হায়খ্রে।

হকানি নেটৱার্কনা অফঘানিস্তান্দা লৈবা য়ু এস ইন্টরেষ্টশিং, অফঘান গভর্ণমেন্টকী অমসুং অতৈ সিভিলিয়ন টার্গেটশিংগী মায়োক্তা কিদনেপিং অমসুং এটেক কয়া পাঙথোকখ্রে। গ্রুপ অসি অফঘানিস্তানগী ইন্দিয়ন ইন্টরেষ্টশিংগী মায়োক্তসু শাথিরবা এটেক কয়া চত্থবগী মরাল শীখ্রবনি। এটেকশিং অদুগী মনুংদা কুমজা ২০০৮ দা কাবুলদা লৈবা ইন্দিয়ন মিসনদা বোম্মিং তৌখিবা য়াওরি। বোম্মিং অদুদা মীওই ৫৭ শিখি।

টেররিষ্টশিংগী মথক্তা মওং কয়াদা এক্সন লৌখৎপা হায়বসি পাকিস্তানগী তৌফম থোকপনি, মখোয়গী কান্নবা হায়বনি হায়না পেন্টাগন্না ফোঙদোকখি।

'টেররিজম অমসুং টেররিজম থেংনবগা মরী লৈননা ঐখোয়না পাকিস্তানগা মখা তানা অনকপা মরী লৈনরি। তৌইগুম্বসুং টেররিজমবু মওং কয়াদা থেংনবা হায়বসি পাকিস্তানগী অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কান্নবগী ৱাফমনি হায়না পেন্টাগনগী প্রেস সেক্রেটরি পিটর কূকনা ঙরাং পাউমীশিংদা হায়খি।

য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি অশটন কার্টরনা চহী অসিদা হকানি নেটৱার্ককী মায়োক্তা পেন্নিংঙাই ওইবা এক্সন লৌখৎলে হায়বগী কোংগ্রেসনেল সার্টিফিকেসন পাকিস্তান্দা পীখিদে হায়না কূকনা ফোঙদোকখি।

সার্টিফিকেসনদু য়াওদবনা মরম ওইদুনা পেন্টাগননা কোলিসন সপোর্ট ফন্দগী মখাদা পাকিস্তান্দা পীগদৌরিবদু মরু ওইনা পাকিস্তাননা অফঘানিস্তান্দা চত্থরিবা য়ু এসকী ওপরেসন্স শৌগৎপদা চঙখিবা চাদিংশিংগী রিইম্বর্সমেন্টকী শেনফমনি।

'দোল্লর মিলিয়ন ৩০০ গী শেনফমদুগা মরী লৈননা মদু ট্রান্সফর তৌগদরা নৎত্রগা তৌরোইদরা নৎত্রগা শেনফম অদু অতৈ হীরমশিংদা শিজিন্নগদ্রা হায়বগী মতাংদা জুন ৩০ গী দেদলাইন অমা লৈখি। শেনফম অদু অতোপ্পা হীরমশিংদা শিজিন্নবা শিন্দোকখিবনা খ্বাইদগী ফগনি হায়না হৌজিক্কী ওইনা লেপ্লরে হায়না কূকনা ফোঙদোকখি।

ফন্দ থিংজিনবগী পাউ ইহান হান্না ফোঙখিবা ৱাশিংটন পোষ্টনা পাকিস্তান্দা পীগদবা মিলিটরি তেংবাঙ ফাজিল্লিবদুনা য়ু এস-পাক মরীদা অচৌবা শাফু অমা পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# লিগেল স্কেন্দলদা চেন্নবা সার্কোজিনা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্সিদা অমুকসু মিৎয়েং থল্লি

পেরিস, ওগষ্ট ২৪ ঃ

হান্নগী ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট নিকোলাস সার্কোজিনা 'ওল ফোর ফ্রান্স' হায়বা মহাক্কী লাইরিক্তা কুমজা ২০১৭ কী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা মহাক কেন্দিদেট অমা ওইনবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখ্রে।

ফেসবূক অমসুং ট্বীটরদা ফোঙখিবা লাইরিক্তুগী এক্সট্রেক্ট অমনা হায়খি 'কুমজা ২০১৭ কী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা রন তৌনবা ঐহাক্না ৱারেপ লৌরে। ঐখোয়গী পুৱারীগী অৱাবা তারবা মতম অসিদা ঐঙোন্দা মসিগী লাল অসি লমজিংবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ হায়না ঐহাক্না থাজৈ। ফ্রান্সনা ঐখোয়গী অরৈবা পুন্নমক পীনবা, কত্থোক্লবা দিমান্দ তৌরি।'

'পুৱারীগী অৱাবা তারবা মতম' হায়রগা হৌখিবা চহীদা পেরিসতা এটেক চত্থখিবদুদগী থল্লকখিবা ইমরজেন্সিগী ফীভম অদুবু খঙনরি। মদুগী মতুংদা নীসতা বাষ্টিল ডেগী থৌরম পাঙথোক্লিবা মীয়াম মরক্তা দ্রাইভর অমনা মহাক্কী ট্রক থৌজিনখিবগী থৌদোক লাকখি। ট্রক্কী এটেক অদুদা মীওই ৮০ হেন্না শিখি।

ফ্রান্স অসি অরুবা শেল-থুম, সোসল অমসুং পোলিটিকেলগী ক্রাইসিস অমসু মায়োক্লরি। থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট ওলান্দগী মখাদা শেল-থুমগী গ্রোথ লেঙদনা লৈখ্রে হায়না টেলিগ্রাফনা ফোঙদোকখি।

সার্কোজিগী লৈঙাক লৈরিঙৈ মনুংদা ফ্রান্স অসি ইস্লামিক ষ্টেটকী টার্গেট অমা ওইখিদবা তারবসু মহাক্না মহাক্কী গভর্ণমেন্টবু করপসনগী চার্জশিং অমসুং অতৈ স্কেন্দল কয়ানা মশক থীহনখি।

সার্কোজিনা কুমজা ২০০৭ তগী ২০১২ ফাওবা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ওইখি তৌইগুম্বসু মহাক্না প্রসিদেন্সি থাদোক্লবা মতমদা লৈহৌরিবা ফীভমদু নুংঙাইনিঙাই ওইখিদে।

মহাক্কী টর্ম অদু অদুক্কী মতীক মিংচৎ থিনিংঙাই ওইখি মদুদি মহাক কুমজা ১৯৮১ দা ভলেরি গিসকার্দকী মতুংদা অনীশুবা টার্মগী মীখলদা মায় পাকখিদবা ফ্রান্সকী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইখি।

সার্কোজি অসি লীগেল স্কেন্দল কয়াদসু চেন্নে। মদুগী মনুংদা বীগমেলিয়ন স্কেন্দল য়াওরি। মহাক্কী পার্টি য়ুনিয়ন ফোর এ পোপ্যুলর মুভমেন্ট (য়ু এম পি) বু কুমজা ২০১২ গী প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনগী কেম্পেইনগী থাঙ্গৈশেংবা অচঙমল লোৎনবা পি আর কম্পেনি অমগা লৌতূনখি হায়না মরাল শীখি। ফ্রান্স অসি মীখলগী কেম্পেইনগী চাদিংদা লিমিট অমা থম্বা লৈবাক্নি।



HL-B/3268/19/08-18/09

# EMPLOYMENT NEWS

## AWES Recruitment 2016

Army Welfare Education Society (AWES) invites Application for the post of 8000 PGT/TGT/PRT through CSB Screening Examination -2016 for Teachers in Army Public Schools. Apply Online before 13 September 2016.

Advt No. : B/45706/CSB2015/AWES

AWES Job Vacancy Location : All India

**Job Details :**

Post Name : PGT/TGT/PRT through CSB Screening Examination -2016
No. of Vacancies : 8000 Posts

**Eligible Criteria for AWES Recruitment :**

Educational Qualification :
Masters Degree in Relevant Subjects and B Ed OR Degree in Relevant Subjects and B Ed OR Graduate and B Ed.
However CTET/TET is not mandatory for appearing in CSB Screening exam.
Nationality : Indian
Age Limit : Age on 01.04.2017.

Fresh Candidates : 40 years (except for NCR schools where TGT/PRT should be 29 yrs and PGT 36 years)

Experienced Candidates : 57 years

Selection Process : Selection Will be done in three stages, Screening Exam conducted on-line by an agency, Interview and Evaluation of Teaching skills and computer proficiency.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs 600/- through Debit/Credit Cards/ net banking/Bank Challan.

**How to Apply AWES Vacancy :**
Interested Candidates may apply Online through website http://awes-csb.in from 17.08.2016 to 13.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission On-Line Application : 17.08.2016
Last Date For Submission On-Line Application : 13.09.2016

Availability of Admit Cards on-line : 15.11.2016
Date Of Online Screening Exam : 26 & 27.11.2016

Important Links :

Detail Advertisement Link : http://aps-csb.in/PdfDocuments/Guidelines_for_candidates.pdf
Apply Online :http://www.aps-csb.in/College/Index_New.aspx

## Rajasthan Postal Circle Recruitment 2016

Rajasthan Postal Circle invites application for the post of 31 Postal /Sorting Assistant, Postman & MTS under Sports Quota for the Direct Recruitment in Post Office or Railway Mail Offices. Apply before 23 September 2016.

**Job Details :**

Post Name : Postal /Sorting Assistant
No. of Vacancy : 16 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2400/-
Post Name : Postman
No. of Vacancy : 06 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-
Post Name : MTS
No. of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1800/-

**Eligibility Criteria for Rajasthan Postal Circle Recruitment :**

**Educational Qualification :**
For Postal/Sorting Assistant : Pass in 10+2 standard or 12th class pass from recognized University/ Board of School Education, Board of Secondary Education.

For Postman : Matriculation from a recognized Board or University.

For MTS : Matriculation or ITI from a recognized Board.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 23.09.2016.

For Postal/Sorting Assistant/Postman : 18 to 27 years

For MTS : 18 to 25 years
Job Location : Rajasthan

Selection Process : Selection of candidates will be made on the educational and sports qualification.

**Application Fee :**
Candidates have to pay Rs 100/- in form of Indian Postal Order (IPO) only, in favour of "Chief Postmaster General, Rajasthan Circle" payable at the Post Office "Jaipur GPO, Jaipur-302001".

**How to Apply India Post Vacancy :**
Interested candidates may apply in prescribed application form along with self-attested photo copies of Certificates and documents, 2 latest identical Pass Port Size Photographs, IPO send to Assistant Director (Staff), O/o the Chief Postmaster General, Rajasthan Circle, Sardar Patel Marg, C-Scheme, Jaipur-302007 on or before 23.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Last Date For Submission Of Application : 23.09.2016
Important Links :

Detail Advertisement & Application form Link :
https://www.indiapost.gov.in/VAS/Pages/Recruitment/Sports_%20notification_Rajasthan_Circle.pdf